**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 25-05-2026)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**
**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**
**(তাং ২৫-০৫-২০২৬, নিংথৌকাবা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) রাজ্য অসিনা শান্ন-খোৎনবগী লমদা হেন্না খুমাং চাউশিন্নবা কেন্দ্র সরকারগী মীৎয়েং মখাদা থৌরাং কয়া পায়খৎলি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লালহৌবা মরি ফারে।

**অমসুং**

৩) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা রাস্ত্রপতি ভবনদা ঙসি পাঙথোক্কদবা সিভিল ইনভেষ্টিচর সেরেমোনিদা কুমশি চহিগী পদ্মা এৱার্দ ৬৬ য়েন্থোক্লগনি।

----

**মুখ্য মন্ত্রি(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগা কেন্দ্রগী য়ুথ এফিয়র্স অমসুং স্পোর্টকী রাজ্য মন্ত্রি রক্সা নিখিল খার্সেগা ঙরাং উনদুনা রাজ্য অসিগী শান্ন-খোৎনবগী লমদা নহাশিংদা হেন্না থৌনা পীদুনা পুকিং থৌগৎনবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে। লুচিংবা অনিনা রাজ্য অসিদা শান্ন-খোৎনবগী লমদা হেন্না

খুমাং চাউশিন্নবা ৱাফমশিংসু কুপা খন্নখি। রাজ্য সরকারনা কেন্দ্র সরকারগা পুন্না চৎমিন্নদুনা রাজ্য অসিগী নহাশিংদা তোঙান তোঙানবা খুদোংচাবশিং ফংহন্নবা হোৎনরি । রাজ্য অসিনা শান্ন-খোৎনবগী লমদা হেন্না খুমাং চাউশিন্নবা কেন্দ্র সরকারগী মীৎয়েং মখাদা থৌরাং কয়াসু পায়খৎলে।

**সিএম (এল)ঃ** মণিপুর পুলিসকী অনৌবা গাড়িশিং মুখ্য মন্ত্রি যুমাম খেমচান্দ সিংহনা ঙসি অহানবা মণিপুর রাইফলসকী পেরেদ গ্রাউন্দদা খুৎশিন্নগনি।

থৌরম অদুদা গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমসু শরুক য়াগনি।

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা সেক্যুরিতি ফোর্সকী মায়কৈদগী লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিং লেপ্তুনা লৌখৎলি অমদি এরিয়া দোমিনেসনগী থবকসু চত্থরি।

মনিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাংখৈ অয়াংপলি লম্বীদগী লালহৌবা অনি ফাখি। মখা তানা নুমিৎ অসিমক্তদা চুরাচান্দপুর জিলাগী ইদেনথর রেঙ্কাই খুলদগা মীওই অমা ফাখি। মঙোন্দগী মেগজিন মরিগা লোয়ননা ইন্সাস রাইফল অমা, কেমোফ্লেজ বুলেট প্রুফ ভেস অমা অমসুং নোংমৈ মরুশিং ফাগৎপা ঙমখি।

হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা সেক্যুরিতি ফোর্সনা চুরাচান্দপুর জিলাগী ঙাথালগী জগাদগী লালহৌবা অনি ফাখি। মখোয়দগী মেগজিন য়াওবা এ.কে ফোর্তি সেভেন রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অনি য়াওনা নোংমৈ মরু খরসু ফাগৎপা ঙমখি।

**কেম্পেইন (এল)ঃ** নুমিৎ ১০০ নিগী ওইবা লমদম অসিগী মহৌশাদগী লৈজরক্লবা পান্বীশিং মশক খঙদোকপা অমসুং য়োকখৎতুনা থন্বা হায়বা থৌরাংগী মনুং চন্না চঞ্জরকপা এ.দি.এ.এম ককচিংগী উ-ৱা থারসি, উ-ৱা হিংহল্লসি কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং অঙাংশিংদা পান্বীশিং মশক তাকপা অমসুং কন্নবগী মতাংদা মমুৎ তানা খঙহনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা, জিলা অসিগী মনুং চন্না লৈবা ক্ষেত্রিময়ুম ইরাবোৎ মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা মহৌশাদগী লৈরক্লবা উ-পান্বী চারা কয়াসু থাখি।

**রাজিভ ঃ** কেন্দ্রগী ফিসরিজ, এনিমেল হজবেন্দরি অমসুং দেরিয়িংগী মন্ত্রি রাজিভ রঞ্জন সিংহনা প্রধান মন্ত্রি মস্যা সম্পরা য়োজনা অমসুং ফিসরিস এন্দ এক্বা কলচর দেভলপমেন্ট ফন্দগী মখাদা মিজোরমদা লূপা কোতি ৩২ হেনবগী প্রোজেক্ট খরগী উরেপ উয়ুং তমগী, খরনা শঙ্গাগনি। শ্রী রাজিভ রঞ্জন সিংহ ঙসি মিজোরমদা লাক্কুনা আইজোলদা পাঙথোক্কদবা অৱাং নোংপোক লমদমগী রিজনেল রিভিউ মিতিংদা শরুক য়ারগনি। মীফম অসিদা মরুওইনা অৱাং নোংপোক লমদমদা পায়খৎপা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিং অমদি থৌরাং কয়াগী মতাংদা য়েংশিনগনি। মীফম অসিদা মরুওইনা অৱাং নোংপোক লমদমদা হৌজিক হৌজিক পায়খৎলিবা ঙা য়োকপা, শা-ষন লোইবা অমসুং শঙ্গোমগী পোথোক্কা মরী লৈনবা থৌরাংশিংগী মতাংদা য়েংশিনগনি। মসিদা, লমদম অশোমদা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা হেন্না পাউথোক চাউথোকহন্দুনা খুমাং য়াংশিন্নবা অমদি লৌমীশিংগী হিংনবগী পুন্সিদা য়াইফনবা থৌরাংশিংগী মতাংদা খন্নগনি । মীফম অসিদা, কেন্দ্রগী ফিসরিজ, এনিমেল হজবেন্দরি অমসুং দেরিয়িংগী রাজ্য মন্ত্রি প্রোফেসর এস.পি.সিংহ ভাগেলসু থৌরম অসিদা শরুক য়াগনি।

**এৱার্দ ঃ** রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা রাস্ত্রপতি ভবনদা ঙসি পাঙথোক্কদবা সিভিল ইনভেষ্টিচর সেরেমোনিদা কুমশি চহিগী পদ্মা এৱার্দ ৬৬ য়েন্থোক্লগনি। থৌরম অসিদা, উপ-রাস্ত্রপতি সি.পি রধাকৃষ্ণন, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহ য়াওনা তোঙান তোঙানবা লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াগনি। রাস্ত্রপতিনা পদ্মবিভুসন এৱার্দ অনি, পদ্মভুসন তরুক অমসুং পদ্মশ্রি মনা ৫৮ য়েন্থোক্কনি। চহী অসিগী ওইনা রাস্ত্রপতিনা পদ্মা এৱার্দ ১৩১ পীনবা অয়াবা পীখি। মসিগী মনুংদা, পদ্মা বিভুসন মঙা, পদ্মা ভুসন ১৩ অমসুং পদ্মাশ্রি ১১৩ য়াওরি। ঙসি মনা য়েন্থোকপদা য়াওহৌদবা এৱার্দিশিং অনিশুবা রাউন্দদা পীগনি হায়রি। মসিগী মতম কোন্না লেপ্লগনি। মনাশিং অসি তোঙান তোঙানবা লমশিং-আর্ট, সোসিয়েল ৱার্ক, পব্লিক এফিয়র্স, সাইন্স অমসুং ইঞ্জিনিয়রিং, ত্রেদ এন্দ ইন্দষ্ট্রি, মেদিসিন, লিতরেচর এন্দ ইদ্যুকেসন, স্পোর্টস, সিভিল সার্ভিসনচিংবদা থোইদোক হেন্দোকপা থবক তৌবগীদমক পীবনি।

**এন.টি.এঃ** নেসনেল তেষ্টিং এজেন্সী (এন.টি.এ)না থা অসিগী ২৮ দা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা কম্মন য়ুনিভর্সিতি এন্ত্রান্স তেষ্ট অন্দর গ্রেজ্যএদ ক্যুএট ২০২৬গী পরিক্ষা অদু য়ৈথোকখ্রে। এন.টি.এনা হায়-সরকারনা ইদুল জহাগী ছুতি থা অসিগী ২৮ দা লাউথোকখিবনা পরিক্ষাগী মতম অসিদা অহোংবা লাকপগী ৱারেপ অসি লৌখিবনি। পরিক্ষা অসিগী মতম অথুবা মতমদা লাউথোক্কনি হায়রি। কেন্দিদেটশিংনা এন.টি.এগী ওফিসিয়েল ৱেবসাইটশিংদা চংদুনা পরিক্ষাগী মতম য়েংনবা হায়রি।

**আই.পি.এলঃ** ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লিক ক্রিকেটকী ঙরাং মুম্বাইগী ৱাংখরে স্তেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা রাজস্থান রোয়েলসনা মুম্বাই ইন্দিয়ন্সপু রন ৩০ দা থোইখ্রে। হান্না বেতিং তৌখিবা রাজস্থান রোয়েলসনা অপীবা ওভর ২০ ৱিকেট ৮ তুরগা রন সুপা ২০৮ লৌখি। মদুগী পাউখুমদা, মুম্বাই ইন্দিয়ন্সনা

ওভর ২০ দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১৭৫ লৌখি।

কোলকতাগী ইদেন গার্দেন্সতা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা দেল্লি কেপিতেলসনা কোলকতা নাইট রাইদর্সপু রন ৪০ দা থোইখ্রে। দেল্লি কেপিতেলসনা হান্না বেতিং তৌবদা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ২০৩ লৌখি। মদুগী পাউখুমদা, কোলকতা নাইট রাইদর্সনা ওভর ১৮ গা বোল ৪ দা ৱিকেট পুমমক তুরগা রন ১৬৩ লৌখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

লিন্থোইঙম্বী, হেমঞ্জিৎ মীহাৎতা চেন্নবা মীওই অমগসু এন.আই.এনা ফাখিবা, কোকোমি ষ্টুদেন্ট ফ্রন্টনা শিন্দুনা কুকি নার্কো তেরোরিষ্টকী মায়োক্তা বাইক রেল্লি চৎখিবা অমসুং মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়া য়েংশিনখিবগী পাউশিংনা ঙসি ফোঙনরিবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

লিন্থোইঙম্বী, হেমনজিৎ মীহাৎতা মপুং ওইনা চেন্নবা মীওই অমগসু এন.আই.এনা ফারে, কেস অসিগা মরী লৈননা পুন্না মীওই মঙা ফাগৎলে হায়বা পাউ- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস এদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- হুইয়েন লানপাউদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফম পাউচেদা- গভর্ণমেন্টনা কাইথোল্লগা থমখ্রবা লূপা কোতি ৩৫০ চাক্টৌবা নংনবা নুপীশিংদা ফংহল্লগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইরাং লোইশিল্লগা চাউখৎ থৌরাংদা মাই ওনশিল্লসি হায়না মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম

খেমচান্দনা ময়াং ইম্ফালদা মল্টি পপর্জ হোল শঙ্গাবগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম- সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

নার্কো ফন্দিং শিজিন্নদুনা কুকি নার্কো তেরোরিষ্টশিংনা চথরক্লিবা লান ইন্দিয়া লৈঙাকা থিংগদবনি হায়বা কোকোমিগী কনভেন ৱাই.কে ধিরেনগী ৱাফম- নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিগা মরী লৈননা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসিনা থোকহল্লিবা প্রোক্সি ৱার লোইশিনবগী মতম পীগদবনি হায়না কোকোমি ষ্টুদেন্টস ফ্রন্টকী কনভেনর লুক্রাম মালংবনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম- সনালৈবাক পাউচেদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মহৈরোইশিংগীদমক্তা চংশিল্লিবা খোঙজং লৈঙাকা অকনবা মীৎয়েং চংবীয়ু হায়না ওল মণিপুর রিকোকাইস প্রাইভেট স্কুল ৱেলফিয়র এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট জয় খুমননা ফোঙদোকখিবা ৱাফম- নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা লুচিংদুনা হৈরোক্তা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং য়েংশিনখ্রে হায়বা পাউ- মণিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিলদা থাজবা নত্রগা থাজদবা হায়বসি ফাজিনখিবা কুকিগী মীওই ১৪গী লাইবকা লেপকনি হায়বা কুকি ওর্গনাইজেসন ফোর হুইমেন রাইটস ত্রষ্ট (কোহুর)না থমখিবা ৱাফম- পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নাগাগী মীওই তরুক ফাখিবগী কেস এন.আই.এদা শিন্নরগনি হায়না মুখ্য

মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা য়ু.এন.সিদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম- হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা, তামেংলোং তাইমস অমসুং গানফিউ মেলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

মণিপুর নাগা য়ুথ ওর্গনাইজেসন মণিপুর অমসুং ফুদ হিলস নাগা কোওর্দিনেসন কম্মিতিনা ত্রাইভেলগী ফন্দশিং নিয়ম লান্না শিজিন্নবগা মরী লৈননা উপ-মুখ্য মন্ত্রি নেমচা কিপগেন ফম থাদোকবা তকশিনখিবগী পাউ- তামেংলোং তাইমসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

**---পাউ লোইজরে---**